# এন আই এগী ইনভেষ্টিগেসননা ঐচ এন এল সী অমদি সেন্টরগী পীছ টোল্ক অকায়বা পীরোই : কোনরাদ সংমা

শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি): সেন্ত্রেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমা ওইরিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না হৌজিক হৌজিক চথরিবা থিজিনবগী থবক অসিনা অথিংবা থমখ্রবা লালহেলূপ ঐচ এন এল সীগা পীছ টোল্ক চথরিবা অসিদা করিগুম্বা মখলগী অকায়বা অমত্তা পীরোই হায়না মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কা এন আই এগী প্রোব অসিনা মরম ওইরগা সেন্টর অমদি ঐচ এন এল সীগা পীছ টোল্ক চথরিবা অসিদা অকায়বা লাক্কদ্রা হায়না মীপাইরিবা অদু মীপাইনিঙাই ওইদে। বোম ব্লাষ্টকী কেস অমগা মরী লৈননা এন আই এনা ঐচ এন এল সীগী কেদর মরিগী মথক্তা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রবা মতুং নুমিৎ নীনী শুবদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর ১২ দা ইষ্ট জাইন্টিয়া লিহস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ষ্টার সীমেন্ট ফেক্টরি কোলোনি লেনগী ক্বার্টরদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা হায়রিবা ঐচ এন এল সীগী কেদর মরি অসি চেন্নৈ হায়না এন আই এনা চার্জ শিট থাঙ্গৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয় মরিগী মথক্তা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লালহৌলূপ অসিগা অনওফিসল ওইবা মওংদা রাউন্দ কয়ারক ৱারী শান্নখ্রে। অথুবা মতমদা ওফিসল ওইবা মওংদা ৱারী শান্নবা হোৎনরি অমদি ওইথোকপা য়ানা লৈরে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনসু হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱারী শান্নবা হৌনিংবগী অপান্বা ফোঙদোরকপা লৈরে। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ৱারী শান্নবদা পোজিটিব ওইবা মওংদা শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্ল বা হোৎনরি। ঐচ এন এল সীগী মায়কৈদগীসু পীছ টোল্ককী ৱারী শান্নবা মীহুৎশিং খনবা লোইরে হায়না খঙহল্লকখ্রে। মরম অদুনা পীছ টোল্কতা অকায়বা অমত্তা লৈরোয় হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়রি।

---

## ম্যান্মারদগী ইল্লিগেল ওইনা পুরকখিবা অতাঙবা মখলগী শা ৪০ অসাম পুলিসনা রিকোভর তৌখ্রে



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি): অসাম পুলিসনা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা অসি ষ্টেট অসিগী কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রাঙিয়াদগী অতাঙবা মখলগী শা ৪০ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবদা, অতাঙবা মখলগী শা ৪০ অসি ম্যান্মারদগী ইল্লিগেল ওইবা মওংদা পুশিল্লকখিবনি। দেল্লিদা বেজ তৌবা টোয়োটা এস য়ু ভি অনীদা হায়রিবা শাশিং অসি হাপ্তুনা পুরকখিবনি। শাশিং অসি ম্যান্মারদগী মিজোরামদা হান্না পুশিল্লক্লবা মতুং অসামদা অমুক পুরকখিবনি। অসামদগী মখা তানা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অমুক পুনবা হোৎনরিঙৈদা পুলিসনা ফাবা ঙমখিবনি। পুলিসনা কনবা ঙমখ্রবা শাশিং অদুগী মনুংদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা চিম্পাঞ্জি, মালেমদা য়াম্না তাঙনা ফংবা থেঙ্গু অমদি অতোপ্পা য়োং মখলশিং য়াওনা কঙ্গারু মখল অমসু য়াওরি।

পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রবা গাড়ি অনী অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা দি এল ৮সী এ ক্যু ৯৮৭৬ অমসুং দি এল ১০ সী ঐচ ৭৯২৪ নি। হায়রিবা গাড়ি অনীসিগা কোন্ননা মীওই অনী অমসু পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা থমখ্রে। মখোয় অনীনা পুরকখিবা অতাংবা মখলগী শাশিং অদুনা অসাম ফোরেষ্ট ওফিসলশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি চহী অসিগী মার্চ থাদসু পুলিসনা গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্টতগী ব্রাজিলদা হৌরকফম ওইবা শা মখল কয়া ফাবা ঙমখি। শাশিং অদু ম্যান্মারদগী মণিপুরগী মোরে ফাওদুনা পুরক্লবা মতুং অসামদা পুরকখিবনি।

---

## তামুলপুরদা লম্লক্কী শামুশিংনা নেৎখায়বদগী মীওই অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি): অসামদা য়াম্না তোয়না থোকপা পামদবা থৌদোকশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ষ্টেট অসিগী মনুং চনবা তামুলপুরদা নুপা অমা লম্লক্কী শামুশিংনা নেৎখায়বগী থৌদোক্তা শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, শামুনা নেৎখায়বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রবা মীওই অদুগী মমিং নান তিমা বান্দো কৌই। ইন্দিয়া অমসুং ভুতানগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদগীনি। খুঙ্গং অসিগী মনাক নক্লা লৈবা উমং অমদা মহাক্না চঙশিল্লুবদা হান্না লৈরম্বা লম্লক্কী শামুশিং অদুনা মহাকপু নেৎখায়দুনা হাৎখিবনি হায়রি।

করি মরমগীদমক মহাক্না উমং অদুদা চঙলুরিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক লোকেলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা বান্দো উমং অদুদা হান্নদগী হৌনা শীঙ চনবা চৎপা মীওই অমনি হায়রি।

ঙসি খুঙ্গাশিংনা উমং অদুগী মনাক নক্লা বান্দো ৱাখল মাঙলগা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। খুদক্তা মহাকপু লোকেলগী মীওইশিংনা মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নবা পুখৎখি। অদুবু মহাক শিনা পুরক্লে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবনি। পোষ্ট মোর্টেমগীদমক অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

---

## মীয়াম্না শিজিন্নবদা সীভিল এভিএসন মিনিষ্ট্রনা অয়াবা পীখ্রে

ইটানাগর, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চন্না লৈবা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী এরোড্রোম হোলোঙি এয়রপোর্ট মীয়াম্না শিজিন্নবদা সীভিল এভিএসনগী দিরেক্টর জেনরেলনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশ গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা এয়রপোর্ট অসি নৌহৌননা শেমজিন্নবা অমদি মমিং ওন্থোক্লবা শেম শাবগী থবক লোইরে। অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসি হৌদ্রিঙৈদা মতম খরগী ওইবা মফম অসিদা মীয়াম চংথোক চঙশিন তৌবদা অয়াবা পীরকখিবনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা মফম অসিদা চঙবা মতমদা সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিংদি অদুম্মক লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হোলোঙি এয়রপোর্ট হায়রগা মীয়াম্না হান্না খঙনরম্বা এয়রপোর্ট অসিগী মমিং দোনয়ি পোলো এয়রপোর্ট হায়না ওনবদা য়ানখ্রে হায়রি।

---

## মমাঙ থাদা দেঙ্গীগী কেস ৮৪ থেঙনখি

আইজোল, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি): চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগা ওগষ্ট ফাওবদা মিজোরামদা দেঙ্গীগী কেস ১৩৫ থেঙনখি। হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা ৮৪ দি ওগষ্ট থা খক্তদা থেঙনখিবনি হায়না মিজোরাম হেল্থ দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর (মেলেরিয়া) দা. মিংথানমাৱিনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জন্যুৱারী থাদগী জুলাই থা ফাওবদা ষ্টেট অসিদা পুন্না দেঙ্গীগী কেস ৫১ থেঙনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেঙনখিবা মফমনা মিজোরামগী কোনুং আইজোলনা ওইরি। আইজোল খক্তদা দেঙ্গীগী কেস ১০৬ থেঙনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মিজোরামদা দেঙ্গীগী কেস অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা ইহান হান্না থেঙনখিবনি। অদুবু লাইবক ফবদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দেঙ্গীনা ষ্টেট অসিদা মীওই অমফাওবা শিহনবা লৈত্রি। ষ্টেট অসিদা দেঙ্গীগী কেস খ্বাইদগী য়াম্না থেঙনখিবা চহীনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ না ওইরি।

---

## বাংলাদেশতা শিনা ফংখিবা ঈ-রিক্সা দ্রাইভরগী লোয়নবী পুলিসনা ফাগৎখ্রে

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি): অগরটালাগী খোৱাই দিষ্ট্রিক্টতগী ঈ-রিক্সা দ্রাইভর অমা মাঙখ্রে হায়না থিনরিঙৈ মরক্তা বংলাদেশতা অশিবা হকচাং ওইনা ফংবদগী ঙরাং বি এস এফতা অশিবা হকচাং অদু শিন্নরকখ্রবা মতুং ঙসি মীশি অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী লোয়নবী অন্রিতা ঘোস পুলিসনা ফাখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, মীশি অসিগী মতাংদা পুলিসনা মখা তানা থিগৎলুবদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর ধিরাজ ঘোসকী লোয়নবী অন্রিতা ঘোস মীশি অসিদা চেন্নৈ হায়বা খঙলকখিবনি। লৈখিদ্রবা ধিরাজকী য়াম্না লুনা তিন্নবা মমান্নবা অনিমেস মোদাকক্কা অন্রিতাগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙবা ঙল্লকখিবগা লোয়ননা মোদাকপু পুলিসনা ফানবা হোৎনরি হায়রি।

অমরোমদা মীশি অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা ধিরাজকী লোয়নবীনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্কী মপুরোইবা মাঙখ্রে হায়না পুলিসতা রিপোর্ট তৌদ্রিঙৈগী নোংমা ৱাৎলিঙৈগী নুমিদাং অমদা মোদাকনা মঙোন্দা ফোন তৌরকখি অদুগা মহাক্কী মপুরোইবা অমদি মখোয় খরা পার্টি অমা য়াওরি হায়না খঙহল্লকখি। মদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা অমুক হন্না ফোন তৌরক্তুনা মখোয় হল্লকপগী লম্বীদা লৈরে হায়রকখি। অদুবু মখোয় লাকখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্না মপুরোইবদা ফোন তৌখি। অদুবু ফোন পায়রকখিদে। চিংনবদগী মোদাকতা অমুক হন্না ফোন তৌবদা করিগুম্বা খুদোংথিবা খরা থোক্লে হায়বা খঙবা ঙমখি। অমদি মহাক্কী মপুরোইবা অমুক হন্না ময়ুমদা হল্লক্লরোই হায়রকখি। অমদি হিরম অসিগী মতাংদা পুলিসতা পাউ পীরবদি মহাক্কী পীল্লিবী মচানুপীশিংবু হাৎকনি হায়না কিহল্লকখি। মরম অদুনা মহাক ৱাফম অসি কনাগুম্বা অমত্তদা হায়দোক্তনা লাকখিবনি হায়রি অমদি মোদাকক্কা মহাক্না চহী অনীরোম অরোনবা মরী লৈনরক্লে হায়নসু মশানা য়াজখি। অমরোমদা লৈখিদ্রবগী মনাওনুপা মহাক্কী মতৈমা অন্রিতা অমসুং মোদাক কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।






দিপার্টমেন্ট ওফ এ সী ঈ ঈ, এম য়ুনা শিন্দুনা দিপার্টমেন্ট অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল লিটরেসী দে থৌরমদা শরুক য়াখিবা দিগ্নিটরিশিংদা লেংয়ান ফি খুদোল তন্বা

## CROSSWORD-3639



**ACROSS**

7 Delighted (4,3,4)
8 List of things to be done (6)
9 Large snake (6)
10 Go aboard (6)
12 Seat of power (6)
13 Flightless bird (3)
14 Small quake (6)
16 Brought up (6)
18 Ice-cream cone (6)
20 Ascends (6)
22 Amused (11)

**DOWN**

1 Lengthy (4)
2 Rupture (6)
3 Assailant (8)
4 Assist (4)
5 Medical practitioner (6)
6 Proclaim (8)
11 Furthermore (8)
12 Renegade (8)
15 Extremely small (6)
17 Foreigners (6)
19 Mountain lake (4)
21 Commanded (4)

**Solution 3638**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | T | R | I | F | E | | I | N | F | A | N | T |
| P | | E | | E | | | | A | | L | | Y |
| O | N | I | O | N | | S | E | T | T | L | E | R |
| U | | G | | C | | T | | U | | O | | A |
| S | I | N | C | E | R | E | | R | O | W | A | N |
| E | | E | | | | R | | A | | | | T |
| | | D | I | S | C | I | P | L | E | S | | |
| C | | | | C | | L | | | | E | | A |
| H | O | R | D | E | | I | N | S | T | A | N | T |
| A | | E | | P | | S | | U | | L | | H |
| S | T | A | R | T | L | E | | P | O | I | S | E |
| E | | L | | R | | | | E | | O | | N |
| S | I | M | M | E | R | | U | R | A | N | U | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4039

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 7 | | 1 | | |
| 1 | | | 2 | | | | | |
| | | 2 | 1 | | 6 | | 5 | |
| | | | 7 | | | | 3 | 9 |
| | | 6 | 8 | | 1 | 7 | | |
| 4 | 9 | | | | 3 | | | |
| | 5 | | 9 | | 2 | 3 | | |
| | | | | | 4 | | | 8 |
| | | 3 | | 6 | | | | |

**Solution-4038**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 6 | 8 | 7 | 4 |
| 4 | 8 | 5 | 9 | 2 | 7 | 3 | 1 | 6 |
| 3 | 6 | 7 | 4 | 1 | 8 | 5 | 9 | 2 |
| 8 | 1 | 4 | 7 | 5 | 9 | 2 | 6 | 3 |
| 5 | 9 | 6 | 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | 1 |
| 7 | 3 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 4 | 5 |
| 6 | 7 | 1 | 2 | 9 | 3 | 4 | 5 | 8 |
| 9 | 5 | 3 | 8 | 6 | 4 | 1 | 2 | 7 |
| 2 | 4 | 8 | 1 | 7 | 5 | 6 | 3 | 9 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCH ASSOCIATE

Assam Agricultural University Research Associate Recruitment 2022: Advertisement for the post of Research Associate in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30 September 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Research Associate Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Research Associate
Research Associate
Job Location:
Assam Agricultural University, Jorhat, 785013 Assam
Last Date: 30 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Research Associate
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience 2 - 5 years
Salary 22000 - 97000(Per Month)
Posted on 06 Sep, 2022
Last Date To Apply 30-09-2022
Educational Qualification: M.Sc
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR 22000 - 97000(Per Month)
Age Limit: 38 yeras.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Research Associate in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Assam Agricultural University Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Assam Agricultural University - aau.ac.in
Step 2: Here look for the Assam Agricultural University Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 07 September 2022
Last date for application is: 30 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### AAU RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT COMPTROLLER

Assam Agricultural University Assistant Comptroller Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Comptroller in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 20 September 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Assistant Comptroller Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Assistant Comptroller
Assistant Comptroller
Job Location:
-, Guwahati, - Assam
Last Date: 20 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Assistant Comptroller
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job LocationsGuwahati
Experience Fresher
Salary 30000(Per Month)
Posted on 07 Sep, 2022
Last Date To Apply 20-09-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
30000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Comptroller in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2022 before 20/09/2022 The procedure to apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit Assam Agricultural University official website aau.ac.in
Step 2: Search for Assam Agricultural University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 08 September 2022

Last date for application is: 20 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification










